ককচিং এ সীগী হান্নগী এম এল এ য়েংখোম সুরচন্দ্রনা আইজোল হেল্থ ক্যের ইমেজিং এন্দ দাইগ্নোষ্টিক, বারট্রা হোস্পিটাল এন্দ মেদিকেল রিসার্ছ সেন্টর অমসুং আইজোল হেল্থ ক্যেরগা খুৎশম্নদুনা ককচিংদা পাঙথোকখিবা কার্দিওলোজি ফ্রী কেম্প

সী পি আই, সী পি আই-এম, ওল ইন্দিয়া ফোরৱার্দ ব্লোক, আর এস এস অমদি কে আই এফ বিগী অপূনবা লেফ্ট কোওর্দিনেসন কন্মিটিগী মীওইশিংনা শীল্লগা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ৱাঙাংলোয় ওইখিবশিং

UR STATE COUNCIL C
লামায় ১

মণিপুরদা অহানবা ওইনা লাকখিবা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কী দিরেক্টর জেনরেল (দি জি) এস ঐচ প্রকাশ অস্থানানা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলাগা উনদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখিবা

রিলিফ সেন্টর ফোর দি ৱেলফ্যের ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সন মণিপুরনা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ কম্যুনিটি মেদিসিনগা খুৎশম্নদুনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কাংচুপ তুইকুন খুলদা পাঙথোকখিবা ফ্রী মেদিকেল কেম্প

এৱ্যেৰ্নেস লোইশিনখ্রে

ককচিং, মার্চ ১৬ (ঐচএনএস):

ইম্পোর্টেন্স ওফ সাইন্স এদ্যুকেসন ইন ট্রাইবেল এন্দ সেদ্যুল কাষ্ট পোপ্যুলেটেদ স্কুলস হায়বা হীরমদা দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, মিনিষ্ট্রি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী স্পোন্সর মখাদা সেন্টর ফোর রুরেল ইম্পাৱরমেন্ট এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা নুমিৎ মরিনি চত্থগদবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংদা নুমিৎ নীনি অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী কোল্লাথাবীদা লৈবা স্প্রিংদল স্কুলদা নুমিৎ নীনি চত্থগদবা থৌরমগী ঙসি ককচিংদা পাঙথোকপা থৌরমগী নীনি চনবা, অরোইবা নুমিৎকী থৌরম ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখ্রে।

ককচিংদা পাঙথোক্কদবা এৱ্যেরনেসকী শরুক লোইশিনবগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংনা মহৈরোয়শিংনা শেমজ-শাজবা খূৎশু-খূৎলায় কয়া উৎখিবা সাইন্স একজিবিসন কোয়না চত্তুনা য়েংবগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎলদুনা হায়, মহৈরোয়শিংনা ৱাখল লৌশিং তানশিনবা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই। অদুম ওইনমক তানশিল্লিবা ৱাখল লৌশিং কয়া অদু থবক ওইনা ওন্থোকপা অসিনা হেন্না মরু ওই। থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রবদি এদ্যুকেসনগী ৱাহন্থোক লৈতেহায়খি।

ক্ষেত্রি বিরাদা পীরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচএনএস):

সাহিত্য থৌপাং লূপনা ৱর্ল্ড পোইত্রি দেগা মরী লৈননা চহী খূদিংগী পীবা গোপাল শর্ম্ম এৱার্দ ২০২১ শক্নাইরবা অইবা ক্ষেত্রি বিরাদা পীরগনি হায়না সাহিত্য থৌপাং লূপকী সেক্রেটরি এম উত্তমকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এৱার্দ অসি লাক্লিবা মার্চ২১দা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা খুৎশিন্নগনি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১৫, সাইটেসন অমসুং সোল অমা য়াওরি। এৱার্দ অসি ক্ষেত্রি বিরানা মণিপুরী লিটরেচরগীদমক লৌরিবা থৌদাং অসিবু শকখঙবা ওইনা পীগদবনি। এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অসিদা রোমি তখেল্লম্বমনা ইবা শৈরেংগী লাইরিক ফাজিনখ্রবা লৈয়েঙ অমসুং ৱাংলেম্বম নিরঞ্জননা ইবা শৈরেংগী লাইরিক য়েল্লম্মু নুংশিবা হায়বসিসু ফোঙদোক্কনি। লোয়ননা ৱর্ল্ড পোইত্রি দেগা মরী লৈননা মালেমগী মমিং লৈরবা অইবশিংনা ইরম্বা শৈরেংশিংসু পাথোক্কনি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ঈশৈ ময়েক থাবীরকপা য়াগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচএনএস):

ওল ইন্দিয়া রেদিও (এ আই আর) ইম্ফালগী এপ্রুভ লিরিসিসশিংনা ঈশৈ ময়েক থাবীরকপা য়াগনি হায়না শৈরেংবশিংগী অপূনবা লূপ (এস ঐচ এ এল) মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওকেন্দ্রো খুন্দোংবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনা শকখঙলবা ঈশৈ ময়েক ইবশিংগী লূপ শৈরেংবগী অপূনবা লূপ (এস ঐচ এ এল)গী এগজিক্যুটিভ মীফম হৌখিবা মার্চ ১৪দা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা লূপসিগী প্রসিদেন্ট ডা. এস ইবোচৌবনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা চহী অসিগী লূপসিগী ওগষ্ট ২৩ দা পাঙথোক্কদবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা নুংশি নুংওনদা যুস্ফম ওইবা শৈথারোল ১২ কৌবা লাইরিক অসিদা হাপ্পীনবা এ আই আর ইম্ফাল এপ্রুভ তৌরবা ঈশৈ ময়েক ইবা শৈরেংবশিংনা ঈশৈ ময়েক ৫/৫ এপ্রিল ১৫ ফাওবগী মনুংদা এস ঐচএ এলগী সেক্রেটরি নৎত্রগা এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংদা পীশিনবীবা য়াগনি। লোয়ননা নৌনা এপ্রুভ তৌরবা শৈরেংবশিং অমদি হান্না মেম্বর ওইদ্রিবশিং লূপ অসিদা য়াওবীয়ু। শৈথারোল ১২শুবা অসিগী এদিটর দোনেশ্বর কোন্সমনি। লোয়ননা লূপসিগী মেম্বরশিংনা মপোক কুমওন নুমীৎতা লাইরিক ফোঙবীগদবশিংনা মাঙজৌননা পাউ পীবীরকপা য়াগনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

মীখলদা শেল য়েনবা অমদি লৌবগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিল্লগনি : মিসন ফ্যুচর ষ্টার

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস):

মিসন ফ্যুচর ষ্টারনা লাক্কদৌরিবা লিলোং অমসুং শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী মীখলদা মীরেপশিংনা শেল য়েনবা, ভোটরশিংনা চাকচা-হৈজান্নবা, মীখল মমাঙদা অহেনবা এক্সপেন্দিচর থিংনবগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি। মীখলদা শেল য়েনবা অমসুং লৌবগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিল্লগনি হায়না মিসন ফ্যুচর ষ্টার, লিলোংগী প্রসিদেন্ট সদাম হুসেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মিসন ফ্যুচর ষ্টার লিলোংনা শাফোংলকখিবা লিলোং এ সীদা মরুওইনা পোলিটিকেল কন্সিয়সনেসতা মীৎয়েং থমদুনা তোঙান-তোঙানবা লিলোংগী ইস্যু কয়াদা মীয়ামগা লোয়ননা ৱাখল তামিন্নদুনা লাক্লি। লিলোং হীরম কয়াদা শোত্থরগা লৈবা এ সী অমা ওইরিবা অসি মরুওইনা মরম চাবা রিপ্রজেন্টেটিভ লৈতবদগী ওইবনি। মসিগীদমক মীয়ামদা ৱাখল তাহন্দুনা চাউখৎপা লিলোং এ সী অমা ওইহন্নবা মিসন ফ্যুচর ষ্টার লিলোংনা হোৎনদুনা লাক্লি। হৌখিবা কুমজা ২০২০ দা পাঙথোকখিবা বাই-ইলেক্সনদা লিলোং পুম্বদা পোষ্টর কেম্প্যেন তৌদুনা মীয়াম ৱাখল তাহন্নবসু হোৎনদুনসু লাকখি। এম এফ এসনা পোষ্টর কেম্প্যেন খোঙজং চত্থখিবা অদু মরুওইনা মীখলদা কা হেন্না শেল চঙহন্দুনা দিভেলপমেন্টকী মমি উরক্তবদগী খোঙথাং অসি মীয়ামগা লোয়ননা লৌখৎখিবনি।

এম এফ এসনা পোষ্টর কেম্প্যেন অদুদা পীখিবা মরুওইবা পাউজে লদি অদোমগী ভোট অদোমগী খোল্লাও ওইহনসি, অদোমগী মমল য়াল্লবা রাইট শেল খরদা য়োনবীগনু, মীখলদা শেল য়াম্না শীজিন্নবগী মায়োক্তা ঐখোয় লেপ্লসি, শেলনা ভোটরশিং লৈবগী মহুৎ চাউখৎ থৌরাংদা শীজিন্নবীয়ু, লিলোংগী মীয়াম্না শেল পামদে, চাউখৎপা পাম্মী হায়বসিনি। অদুগা চার্টর ওফ দিমান্দ ওইনা বাই-ইলেক্সনগী ইন্টেনিদং কেন্দিদেটশিংদা থমখিবা পোইন্ট অহুম অদুনা লিলোং হাওরৈবী কোলেজ অসি মহৈরোয়শিংগী খনবীরগা মতমগা চান্নবা মওংদা ক্বালিটি মেন্টেন তৌবা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈহনবা অমদি পি জিগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌবা, লিলোংগী প্রাইমারী হেল্থ ক্যের অমদি কম্যুনিটি হেল্থ ক্যের সেন্টরশিং অসি মতমগা চুনবা মওংদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈহনবা, মতিক চাবা হেল্থ ক্যের ফেসিলিটি লৈহনবগা লোয়ননা থক্নবা অফবা ঈশিং ফংহনবা অমসুং লিলোংগী ইন্টর ভিলেজ রোদস, সব-রোদস অমদি এন ঐচ-১০২ ক্বালিটি মেন্টেন তৌদুনা শেমগৎপা হায়বসিনি।

হায়রিবা ৱাফমশিং অসি থবক্তা ওন্থোকপীননবা কয়ারক হায়জখ্রে। লাইবকথীবদি প্রোপেগন্দাদা ঙাওজবা মীওই কাঙবু খরনা চাউখৎপগী ৱাখল্লোনবু নাথৈদুনা লাক্লি। মতম-মতমগী রিপ্রজেন্টেটিভশিংদা দিভেলপমেন্ট তৌবীনবা হায়জখ্রে। চীনদা দিভেলপমেন্ট তৌখিবা, থবক ওইনা ওন্থোকপীরমদবনা ঙসি উহৈদবা শক্তম কয়াগী মমি লিলোংদা চাউনা তাদুনা লাক্লি। য়াম্না মরুওইরবদি রিপ্রজেন্টেটিভশিংনা মীখলদা শেল য়াম্না চঙখ্রে, দিভেলপমেন্ট তৌবা ঙমদে হায়বা ৱাফম অসি মীয়াম্না তৎতনা তাদুনা লাক্লি। পুম্নমকসি উরুরগা মিসন ফ্যুচর ষ্টারগী পান্দম অমগা লোয়ননা মীখলদা শেল য়েনবা, চাক চান্নবা কয়া অসি লাক্কদৌরিবা মীখলশিংদা থিংননবা খোঙথাং লৌখৎলগনি। মসিদা অয়েৎ-অপন পীরকপা খূদিংমক চপ চানা থেংননবা মীয়ামগা লোয়ননা হোৎনরগনি। দিভেলপমেন্ট পোলিটিক্স তৌবা ঙম্লোইদবা মীদি মীখলদা থোকপীরক্কনু। অতোপ্পা এ সীশিংগী চাউখৎপা উরগা ঈকায়বা ফাওজে। মীৎনা উরবা অশোয়বশিং অসি শেমদোক্তুনা চাউখৎপা লিলোং এ সী অমা ওইননবা হোৎনমিন্নসি। হন্দক লাক্কদৌরিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী মীখল অসিদা মিসন ফ্যুচর ষ্টারনা লিলোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল অমসুং শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল মীখলদা চাকচা-হৈজান্নবা তৌদনবা অমদি অকনবা মওংদা থিংনবা ফিরেপ লৌরে। চাউখৎপা লিলোং অমা ওইননবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নরসি। মীয়াম্নসু মীখলদা শেল য়েনবা, মীখল মমাঙদা মীরেপশিংনা অহেনবা চাদিং তৌদুনা মীখল কারবা মতুংদা দিভেলপমেন্ট তৌরক্তবগী মতৌ অসি থিংহৌরসি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ভি দি এফ মেম্বর ১ লৈখিদবা মতমদা মহাক্কী ইমুংদা লুপা লাখ ২ পীরগনি : এসোসিএসন

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস) :

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৯দা থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী অপূনবা এগজিক্যুটি মেম্বরশিংনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অনীসিগী মনুংদা লৈবা ভি দি এফ মেম্বর অমা লৈখিদবা য়াওরকপদা মহাক্কী লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংদা পীরম্বা শেনফম লুপা লাখ ১.৫ দগী লুপা লিশিং ৫০ হেনগৎতুনা লুপা লাখ ২ পীরগনি হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) হিদম জীবননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট অনীগী ভি দি এফ মেম্বর অমা অনা-অয়েক, অশেক-অপন থোক্লকপা মতমদা হান্না পীরম্বা শেনফমদগী খরা হেনগৎতুনা কেটেগোরি ৱাইজ ওইনা পীরগনি। ভি দি এফ মেম্বর অমনা লায়েংবদা লুপা লিশিং ২০দগী লুপা লিশিং ২৯,৯৯৯ ফাওবা চাদিং তৌরবদি মহাক মশাদা লুপা লিশিং ১৫, লুপা লিশিং ৩০দগী লুপা লিশিং ৩৯ ফাওবা চাদিং তৌরবদি লুপা লিশিং ২৫, লুপা লিশিং ৪০দগী লুপা লিশিং ৫৯ ফাওবগী চাংদা চাদিং তৌরবদি লুপা লিশিং ৩০, লুপা লিং ৬০দগী লুপা লিশিং ৭৯ ফাওবগী চাংদা চাদিং তৌরবদি লুপা লিশিং ৩৫ অমসুং লুপা লিশিং ৮০ গী মথক্তা চাদিং তৌরবদি লুপা লিশিং ৪৫ ফাওবা মথংশিংনা পীরগনি। শেনফম অসি অমুক ফংখ্রবা মেম্বরশিংনা মশাগী অনাবগী মতুংইন্না অমুক রিএম্বর্সমেন্ট চহী ৩ মপুং ফাদ্রিবা ফাওবা এপ্লায় তৌবা য়ারোই। চহী ৩ মপুং ফাখ্রবা মতুংদা অনা-অয়েক, অশোক-অপন থোক্লকপা মতমদা এপ্লায় তৌবা য়াগনি। স্পেসল কেটেগোরিদা দাইবেটিসনা নারবা ভি দি এফ মেম্বর অমদা লুপা লিশিং ১৫ চহী ২ মখায় কান্ন-কান্নরগা লেপ্তুনা পীরগনি। হায়রিবা শেনফমশিং অসি মার্চ ৬ তা পাঙথোকখিবা ১২শুবা ষ্টেট লেভেল ভি দি এফ রেজিং দে সেলেব্রেসন ২০২১ নুমীৎ অসিদগী চৎনবা হৌরগনি। শেনফমশিং অসি থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অনীগী ভি দি এফ ৱেলফ্যের ফন্দদগী কায়থোক্কদবনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট অনীগী মনুংদা লৈরিবা ভি দি এফ মেম্বরশিংগী মফমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী মায়কৈদগী খঙহঞ্জরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ট্রকনা থোম্বা ১ শিরে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরদা গাড়ী মচা অমদি অচৌবা থৌরিবশিংনা চেকশিনহৌদবা মীকুপ্তা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীশি-মীনা তোয়না থোরক্লি। ঙসিসু অয়ুক পুং ৮.১০ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ইম্ফাল জিরি লম্বীগী নোংচুপ কৈথেলমানবীগী কৈথেল ময়াদা গাড়ী মচা থৌরগা লাকপী নুপী অমা সিমেন্ট পুদুনা লাকপা ট্রক অমনা তকপদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মমিং তখেল্লম্বম সুশিট্রা (৪৭), মপুরোইবা টি রঘু কৌই। মহাক পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নোংচুপ কৈথেলমানবীগী তখেল্লম্বম মখা লৈকায়দা লৈবনি। থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু পাৎশোই পুলিসনা লৌখৎলগা রিমস হোস্পিটালগী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে হায়রি।

দ্রগ লল্লোনবা অহুম য়াল্লবা হেরোইন পাউদরগা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ইষ্ট কম্যান্দো অমদি হৈঙাং পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা মার্চ ১৪গী অয়ুক্তা কাইরংগী চীংয়াদা য়াল্লবা হেরোইন পাউদর, নোংমৈ, শেল, গাড়ী অমদি মোবাইল হেন্দসেটশিং য়াওনা ফাগৎপা ঙমখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসকী এস পি জুগেসচন্দ্র হাওবিজমগী মীৎয়েং মখাদা এদিসনেল এস পি (ওপস) রোনি ময়েংবম অমদি লম্লাইগী এস দি পি ও কে এস ঐচ রবিকুমার আই পি এসনা লুচিংবা ৱিমেন্স পুলিস য়াওবা টিম অমনা কাইরংগী চীংয়া এরিয়াদা লৈবা য়ুম খরা থিবা হুম্বা চত্থবদা মীওই অহুম ময়াই কাবা চীঙাক হেরোইন পাউদর য়াওনা তোঙান-তোঙানবা পোৎলমশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি।

পুলিসনা ফারবা মীওইশিং অদুদি কাইরং চীংয়াদগী এম দি ইমতিয়স (৪১) অপোকপা এম দি লৈহাও রুদ্দিন, খুল অসিমক্তদগী এম দি মনির (৩০) অপোকপা এম দি গ্রাফর অমদি কাইরং চীংয়া থাংজম খুনৌদগী এম দি সহিদ খান (৪৫) অপোকপা এম দি নুরদিননি। মখোয়দগী ফারবা পোৎলমশিং অদুদি হেরোইন পাউদর গ্রাম ৮৯১.৩৫, লেপটোপ অমা, রুম হিটর অমা, প্লাষ্টিককী বেল ৭১৯, দিস্পোসিবল রেরিন ২৯, শেল ওইনা ৩৫,৬২০, টু হ্বিল্লর অহুম, স্বিফ্ট কার অমা, দবল বেরেল অমা, দবল বেরেলগী এমটি কেস অমা অমদি মোবাইল হেন্দসেট ২৬ য়াওনা ফাগৎপা ঙমখি হায়রি। ফারবা মীওইশিং অদু মখা তানা ৱাহং পাউহং চত্থনবা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনদা খুশিন্নখ্রে হায়রি।

গেরেজ মৈ চাকপদা অমাঙ-অতা থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস) :

হৌজিক নোং তাদবা অমদি অশিৎ-অৱান্থাগী মতম ওইবনা মৈহৌ লাংপোক থোকপগী থৌদোক কয়া লেপ্তুনা থোরক্লি। ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ রোম তাবা মতমদা চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা জৌমুননুম খুনদা লৈবা গাড়ী থম্ফম গেরেগ অমা খঙহৌদনা মৈনা চাকখ্রে।

গেরেজ মৈ চাকপা অদুগী পাউ হেক ফংবগা চুড়াচান্দপুরগী ফায়র সর্ভিস ষ্টেসন কাঙবু অমদি থৌদোক থোকফম অদুগী অকোয়বদা লৈবা খুঞ্জাশিংসু চঙশিন্দুনা মৈ মুত্থৎনবা হোৎনখি। থৌদোক অদুদা গেরেজ অদুদা থম্বা ইকো ভেন অমা, ওটোরিক্সো অমা, চিনি শুংনবা মেছিন অমা, তুলু অমা, সাইকল অনী, য়েন বোইলর তরেৎ য়াওনা মৈনা চাকখ্রে।

মৈ চাকখ্রবা গেরেজ অদুগী মপুনা চুড়াচান্দপুরগী জৌনমনুম খুনদা লৈবা টি কমদৌ, অপোকপা লৈখিদ্রবা খাইলম তুংনুং কৌই। মৈ চাকপা অদুদা থংনবদা লৈবা য়ুমশিংদি মীয়াম অমদি ফায়র সর্ভিসনা কনবা ঙমহৌখি। মৈ চাকপা অদুদা লুপা লাখ কয়ারোমগী পোৎচৈদি মাঙখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা চুড়াচান্দপুর ফায়র ষ্টেসনগী ও সী ইন-চার্জ দানিয়ল পাইটেনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা, করিগুম্বা মফম অমদা মৈহৌ লাংপোক থোরকপা মতমদা ফায়র সর্ভিসকী গাড়ী লাকপা মতমদা মীয়াম্না লম্বীদা লৈরম্লগসু খরা খরা হন্দোকপীয়ু। কনাগুম্বা মীওই খরনা ফায়র সর্ভিসকী গাড়ী ফাওবা বগল লৌনবা হোৎনবা তৌবীগনু। মৈহৌ লাংপোক থোরকপদা মৈ কন্নবা হোৎনরিবা ফায়র সর্ভিসকী মীওইশিংবু মীয়াম্না কোওপরেসন পীবীয়ু। মৈ চাকফমদা ফায়র সর্ভিসকী কাঙবুনা ঙন্না হেক য়ৌরিবমখৈ মাঙ-তাকপা খরমখৈদি হন্থগনি হায়খি।

৫রকশুবা ৱারিবম মৈনো শৈরেং মনা অইবী অঙোম সরিতাদা পীরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস) :

ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জেই লূপ (ইমাখোল) অৱাং পোৎশংবমনা চহী ২/২ কান্নরগা পীজবা মনা 'ৱারিবম মৈনো শৈরেং মনা' কুমজা ২০২১গী ওইনা অকাইবা লিক্লি মচেৎ শৈরেং লাইরিককী অইবী অৱাং সেকমাইদগী অঙোম সরিতাদা পীরগনি হায়না ইমাখোলগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাহেংবম রোমেন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ৱারিবম মৈনো শৈরেং মনা অসি লাক্লিবা মার্চ ২৩দা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্কদৌরিবা লূপ অসিগী ১৯শুবা মপোক নুমীৎ থৌরমদা অইবী সরিতাগী মফমদা খুৎশিন্নরগনি।

থৌরমসিদা ঈকায়খুম্নজরিবী ইম্ফাল ইষ্টকী অধক্ষা পুংশুবম ওংবী বিমোলানা অথোইবা মীথুং, ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জেই লূপ (ইমাখোল)গী প্রসিদেন্ট ডা. রাজকুমার গুনচন্দ্রনা থৌরম মপু, মণিপুর লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমী ন্যু দেল্লীগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমার অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সাইন্সকী হেদ ডা. সী ঐচ ইবোহলনা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াগনি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লূপকী চেফোঙ ঈরাওখোল অমদি তোঙান-তোঙানবা লাইরিক অনীসু ফোঙজগনি। লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা খোরিরোলগী মনা কয়া ফংলক্লবা লূপলোয়শিংবুসু তরাম্না ওকচগনি। খনগৎলবা লমদমসিগী প্রিন্ট এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া পর্সনশিংদসু ঈকায় খুম্নবা উৎচগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস) :

রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস), ইম্ফালগী দিরেক্টর, দিন (একাদেমীক), মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট, ফেকল্টি মেম্বরশিং, ষ্টাফ অমদি মহৈরোয়শিংনা ইনষ্টিট্যুট অসিগী এম বি বি এস মহৈরোয় সনাতোন অথোকপমনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না রিমসকী মীদিয়া এদভাইজর এন ফিলিপসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অসিনা হায়, রিমসকী দিরেক্টরনা চ্যের লৌদুনা ঙসি অয়ুক রিমসকী জুবিলি হোলদা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা সনাতোনগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা মিনিট ২ তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং শেন্বা মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা থৌনিখিবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারক্লি।

এলাংবম সোনামনি লৈখিদবদা মায়কৈ কয়াদগী অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরী সাহিত্যগী লমদা থোইদোক হেন্দোক্লা শকখঙনরবা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী এলাংবম সোনামনিনা লৈখিদবদা সাহিত্যগী লমদা থবক তৌরিবা তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়াগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

দি কলচরেল ফোরম মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রি রাজেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরী সাহিত্যগী লমদা থোইদোক হেন্দোক্লা শকখঙনরবা এলাংবম সোনামনি লৈখিদবদা ফোরম অসিগী ওফিসতা প্রোফেসর হুইরেম বেহারীনা থৌরম মপু ওইরগা ফোরমগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াদুনা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। লৈখিদ্রবা এলাংবম সোনামনি মণিপুরী সাহিত্যগী লমদা মায়থোং য়াম্বা অইবা অমা ওইবদা নত্তনা মণিপুরী লোলবু চাউখৎননবা হোৎনবদা থোইদোক হেন্দোক্লা কখোল্লকবা মীশক অমনি। মহাক্লা শৈরেং, ৱারেং, ৱারী মচা অমদি উপন্যাস কয়া ইবীরম্বদা নত্তনা মীয়াম্না শকখঙনরবা হন্দোক্লোই অমনি।

কুমজা ১৯৮৮দা অইবগী মমাংথোঙ লোল্লবদি মনিংথোঙদা লাকউদনা হায়বা ৱারীমচা লাইরিক অসিদা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি। লাইরিক অসিমক্তদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ ফংখি। কুমজা ২০১২দা সাহিত্য একাদেমী ট্রান্সলেসন মনা পীখি। দি কলচরেল ফোরম মণিপুরনা থোইবী এৱার্দ ২০১২, হুইরেম অমুবা অমসুং য়াইমবী এৱার্দ (২০১৪), সোইবম মরাদোনা লাইফ টাইম লিটরেরি এৱার্দ ২০১৬ অমদি অরাম্বম ইবুংঙোহল অমসুং বিনোদকুমারী মেমোরিএল এৱার্দ ২০১৮ পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে। মহাক্কী মফমদা এলাংবম দিনমনি অমসুং ইবেহাইবী লিটরেরি এৱার্দ ২০২০ লাউথোকখ্রবসু মালেমগী লাইচৎ কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা খুৎশিন্নবা নংহৌদ্রে। সাহিত্যদা শক্নাইরবা অসিবু মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা লূপশিংনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে। মহাক্লা লৈখিদবা অসি মণিপুরী সাহিত্যগী মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা মাঙজবা অমনি। দি কলচরেল ফোরম মণিপুরগী মেম্বরশিংনা অইবা অসিনা লৈখিদবদা মিনিট ২ তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না তাইবং মপুগী খুয়াদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা থৌনিজখি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু ফোরমগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াজরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, রূমহল ঠিএটরগা তৎন-থানবা লৈতনা মতম শাংনদগী লোয়নদুনা লাক্লবা মরুওইবা হীরম কয়াদা তাথোক তাশিন তৌবদা নত্তনা মতেং পাংদুনা লাকখিবা এলাংবম সোনামনিনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না রূপমহল ঠিএটরগী সেক্রেটরি ঐচ অচৌবা শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মশাগী চহী ৯৬ শুখ্রবা এদমিনিষ্ট্রেটর, শক্নাইরবা অইবা অসিনা লৈখিদবা অসি মণিপুরী ঠিএটর মরুওইনা রূপমহল অমদি লিটরেরি সার্কলদা মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা মাঙজবা অমনি হায়না রূপমহলগী চ্যেরমেন কৈশাম হেরামনিনা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অদুদা ফোঙদোকখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা লৈখিদ্রবগী থৱায় মিরেননা তাইবং মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা মিনিট ২ তুমীন্না লেপ্তুনা মপুগী মফমদা থৌনিজবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জেই লূপ (ইমাখোল)নসু এলাংবম সোনামনিনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। ইমাখোলগী সেক্রেটরি জেনরেল ৱাহেংবম রোমেন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এলাংবম সোনামনিনা লৈখিদবদা ইমাখোলগী ওফিসতা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. রাজকুমার গুনচন্দ্রনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফমসিনা অইবনা হিংলিঙৈ মতমদা পাঙথোকপীরম্বা তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরমশিং অখন্নবা খোরিরোলগীদমক হোৎনবীরম্বা কয়াবু নৌহৌননা নীংশিংদুনা শীংথাখি। লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎতুনা মিনিট ২ তুমীন্না লেপখি। লৈখিদ্রবগী থৱায় মিরেননা শেন্বীবা মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না পোত্থাহনবীনবা থৌনিজখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা, নেপালি সাহিত্য পরিষদ (এন এস পি) মণিপুরনসু মণিপুরী সাহিত্যগী লমদা এলাংবম সোনামনিনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না নেপালি সাহিত্য পরিষদ মণিপুরগী সেক্রেটরি দীপক পন্থানা থাদোরকপা চেরোল মনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা হায়, শক্নাইরবা অইবা এলাংবম সোনামনিনা লৈখিদবা অসি মণিপুরী লিটরেচরগী লমদা অচৌবা মাঙজবা অমনি। এন এস পিগী প্রসিদেন্ট ভৱানি অধিকারিনা প্রিসাইদ তৌদুনা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমসু পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা পরিষদ অসিগী মেম্বরশিংনা মিনিট ২ তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা তাইবং শেন্বগী মফমদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবসু থৌনিখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

তৌবুল লম্বী থিংজিন্দুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচএনএস):

ঙসিদগী চহী ৩গী মমাঙদগী বিষ্ণুপুরদগী তৌবুল তাবা লম্বী পাকথোল্লগা ঙসি ফাওবা কোইলাস থাদনা লৈরিবা অসিদা মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না চত্থোক-চৎশিন্দা অদুক্কী মতীক অৱাবা মায়োক্নুরিবা অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি অয়ূক অঙনবদগী তৌবুলদা লৈবা মীয়াম্না লম্বীদা থোল্লক্তুনা হায়রিবা লম্বী অসিদা উ-ৱা ফৈজিন্দুনা লম্বীদা লাকপা গাড়ী থৎপগা লোয়ননা কৈথেল অমদি দুকানশিং থোঙ লোন্দুনা লম্বী থিংবা হৌখ্রে।

লম্বী থিংবা অদুগা মরী লৈননা তৌবুল ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী সেক্রেটরি টিঐচ বির সিংহনা ফোঙদোকখিবদা, বিষ্ণুপুরদগী তৌবুল তাবা লম্বী অসি শেন্বীনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা মেমোরেন্দম পীবগা লোয়ননা কয়ারক হায়জখিবা লৈরে। অদুবু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোক্তনা লৈবদগী ঙসি খুঙ্গং অসিদা লৈরিবা খোইশাওনরবা মীয়াম হৌরক্তুনা লম্বী থিংবগী খোঙজং অসি চঙশিনবা হৌবনি। য়ানবা অমা পুরক্লিবফাওবা লম্বী থিংবগী খোঙজং মখা তানা চঙশিনখিগনি। লোয়ননা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা লম্বী অসি কোইলাস থাগনি নৎত্রগা থারোই হায়বদুসু শেংনা মীয়ামদা খঙহল্লু।

লৈঙাক্লা ঙম্লরোই হায়বা তশেংনা হায়বীরগদি লৈবাকমীয়ামদগী খায়রগা কোইলাস থানবা শেম-শারগনি হায়নসু বিরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নুমীৎ ১৫নি চত্থগদবা ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা শ্রী শ্রী গৌরগোবিন্দ গার্লস কোলেজনা শীন্দুনা ট্রান্সফোর্মেসন ওফ কলচর এন্দ ইটস ইম্পেক্ট হায়বা হীরমদা নুমীৎ ১৫ নি চুপ্না চত্থগদবা ৱার্কশোপ কোলেজ অসিদা হৌদোকখ্রে হায়না শ্রী শ্রী গৌরগোবিন্দ গার্লস কোলেজগী সেক্রেটরি এস ইবোসিং মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ডা. এস সনাতোম্বী, শ্রী শ্রী গৌরগোবিন্দ গার্লস কোলেজগী গভর্ণিং বোদিগী প্রসিদেন্ট অহন্থেম ইরাবত মীতৈ, কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডা. কে জাবোশখি, জে এন দান্স একাদেমীগী এক্স-প্রধান গুরু অরাম্বম তোম্বীনৌ, ৱার্কশোপকী প্রোগ্রাম দিরেক্টর ডা. এম মচা চাওরৈকনবনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ডা. এস সনাতোম্বীনা হায়খিবদা মীতৈগী উমংলাই লাইনিং লোনচৎ অমা মৈহৌরোলদগী ইরাৎতুনা লাক্লি। লাই হরাওবনা ঐখোয়গী আইদেন্টিটি অমদি কলচর তাকপা ওইনা লাই হরাওবা হায়না চাকহোং-ঙাহোংনবা, খুঞ্জাও লৈচাওবা পীবীনবা নীজবা ওইনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। গরিবনিৱাজগী মতমদা লাই হরাওবা অসি চহী খরা পাঙথোক্লদ্রবা মতুং বৃটিশকী মতমদগী অমুক হন্না পাঙথোকপা হৌরকখি। উমংলাই হরাওবগী লাইরল্লোন অসি খরা খেন্নবা লৈতবা নত্তে। ৱার্কশোপ অসিনা ঠিওরি ওইনা পেপর ৱর্ক খক্তা নত্তনা প্রক্টিকেল ওইনা পর্ফোর্মেন্স বেজ ওইহল্লগা লাই হরাওবা করিনো হায়বা মচা খায়না খঙহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়রি।

মীখল পাঙথোক্লগনি : এম এস এফ

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী ১৭শুবা ফেদরেল এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল ২০২০-২১গী চহী ১ মপুং ফানা থৌ পুবগী মতম লোইশিল্লকপগা লোয়ননা নৌনা শেমগদৌরিবা ১৮শুবা ফেদরেল এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল ২০২১-২২গী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না এম এস এফকী ১৮শুবা ফেদরেল এগজিক্যুটিভ ২০২১-২২গী ইলেক্সন কন্মিটিগী রিটর্নিং ওফিসর ও অম্নিকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লূপ অসিগী থবক থৌরমশিংদা হেন্না থৱায় হকচাং য়াওনা থৌগাই য়াবীনিংবা মণিপুরী মহৈরোয়শিংনা হায়রিবা এম এস এফকী নৌনা থৌ পুনবগী খনগদৌরিবা মীখল অসিগী নোমিনেসন ফোর্ম মার্চ ১৬তগী অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল ৪ ফাওবগী মনুংদা রিটর্নিং ওফিসরদগী লৌরবা য়াগনি। নোমিনেসন ফোর্মশিং থাজিনবগী অরোইবা নুমীৎনা লাক্লিবা মার্চ ২১গী নুমীৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবগী মমাঙদা ওইগনি। নোমিনেসন ফোর্ম লৌথোকপগী অরোইবা মতমনা মার্চ ২১গী নুংথিল পুং ১ তাবদগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ওইগনি। অদুগা লাক্লিবা মার্চ ২২দা স্ক্রুটিনি পাঙথোক্লগা মার্চ ২৩দা ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকায়দা লৈবা এম এস এফকী হেদ ওফিসতা মীখল পাঙথোক্কনি। ৱাশক লৌবা অমদি চার্জ হেন্দলিং টেকিং ওভর লৌবগী থৌরমনা লাক্লিবা মার্চ ২৬তা পাঙথোকচগনি। হায়রিবা মীখল অসিগী অকুপ্পা মরোল রিটর্নিং ওফিসর (আর ও)দগী লৌবীবা য়াগনি। নৎত্রগা এম এস এফ হেদ ওফিসতা পাউ ফাওবীরক্কবা মহৈরোয়শিংদা পাউজেঞ্জরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।